**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 23-01-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা ফুরুপ মশেল য়েংথিনবা য়াবা ৱাফমশিং অমদি ফজদবা ৱাহৈ ৱাতা শিজিন্নদুনা সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপীদনবা আপীল তৌরি।

২) গনতন্ত্র দিবসকী ফুলড্রেস রিহারসেলগীদমক হয়েং ইম্ফাল মনুংদা গাড়ি চৎথোক চৎশিনদা অহোংবা খরা লৈরগনি।

৩) মণিপুরদসু ঙসি নেতাজি শুবাসচন্দ্র বোসকী ১২৮ শুবা মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে।

৪) মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না হায়রি- কেন্দ্র সরকারনা মণিপুর মীয়ামগীদমক পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিং মীয়ামা খঙবিফম থোকই।

অমসুং

৫) প্রধান মন্ত্রিনা হায়রি- নেতাজি শুবাসচন্দ বোসকী ফিদম লৌদুনা ভারতপু মালেমগী শেল থুমগী লমদা খ্বাইদগী চাউবা অহুমসুবা লৈবাক ওইহন্নবা হোৎনরি।

------

সিএম (এল)ঃ মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা ফুরুপ মশেল য়েংথিনবা য়াবা ৱাফমশিং য়াওনা ফজদবা ৱাহৈ ৱাতা শিজিন্নদুনা সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপগী থৌওং তৌবীদনবা আপীল তৌরি।

মুখ্য মন্ত্রিগী সেক্রেটরিয়েটতা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা শ্রী বিরেন্না হায়- সোসিয়েল মিদিয়াগী তোঙান তোঙানবা পেজ অমদি চেন্নেলশিং পায়রিবা এদমিনশিংনা য়ারিবা মখৈ ফজদবা ৱাহৈ ৱাতা শিজিন্নদুনা কনাগুম্বা মীওই অমগী ইজ্জৎ শোকপা য়াবা ৱাফম  থাগৎপীগনু। সরকারনসু হিরম অসিগী মতাংদা অকনবা মীৎয়েং চংবা হৌরে। মসিগীসু মথক্তা মীওই খরনা অরানবা থবক তৌই হায়বগীদমক আইনবু খুৎতা পায়দুনা, ফা-পুনবা তৌদুনা দন্দি পীবা অমদি মদুবু সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপগী থৌওং অসি লেপনবসু শ্রী বিরেন্না হায়রি। করিগুম্বা মখা তানা অসিগুম্বা থৌওংশিং অসি চত্থরবদি সোসিয়েল মিদিয়াগী পেজ নত্রগা য়ু ট্যুব চেন্নেলগী মপুশিং ফাদুনা চৈরাক ফংহনগনি হায়নসু মুখ্য মন্ত্রিনা মখা তাখি।

রাজ্য অসিদা তংদু লৈতাবা ফিভম তপা তপা হঞ্জিল্লকপগা লোয়ননা পঞ্চায়ট অমদি এ.দি.সিগী মীখল পাঙথোকবা সরকারনা ৱারেপ লৌরগনি হায়নসু মুখ্য মন্ত্রিনা মখা তাখি। মহাকা হায়- হৌজিক থোক্লিবা ইরাং অসিনা মরম ওইদুনা পঞ্চায়ট অমদি এ.দি.সিগী মীখল পাঙথোক্কদবা অদু থিন্থহন দুনা লাকখিবনি। অদুমকপু পঞ্চায়টকী শেমখিবা এদমিনিষ্ট্রেতিভ কমিতিনা মথৌ নিংথিনা তৌদুনা লাক্লি। এ.দি.সিগী ওইনসু দিপ্যুতি কম্মিসনারশিংগী খুত্থাংদা লেপ্পা লৈতনা থবক কয়া পায়খৎতুনা লাক্লি হায়না মুখ্য মন্ত্রিনা ফোংদোকখি। রাজ্য অসিদা থোক্লিবা ইরাংনা মরম ওইদুনা মীয়ামগী চৎথোক চৎশিনদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োকরিবা অসি য়েংদুনা সরকারনা থৌরাং কয়া পায়খৎলে। মথং থাগী ১৬ তগী ইম্ফালদগী দিল্লি ফাওবগী ইন্দিগো ফ্লাইট অনি অমগসু হেনগৎলকপা য়ানা লৈ হায়না শ্রী বিরেন্না ফোংদোকখি।

ত্রাফিক (এল)ঃ  ৭৬ শুবা গনতন্ত্র দিবস থৌরম অমদি হয়েং পাঙথোক্কদবা ফুলড্রেস রিহারসেলগা মরী লৈননা ইম্ফাল মনুংদা গাড়ি চৎথোক চৎশিনদা অহোংবা খরা লৈরগনি।

রাজ্যগী ত্রাফিক কন্ট্রোল ৱিংগী এস.পিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়-শিংজমৈ ফাওরগা লিলোংদগী হাইগৎলকপা গাড়িশিংনা পিশুমথোং ফাওদুনা চৎকনি। মোইরাংখোমদগী লাকপা গাড়িশিং কৈশামথোং ফাওরগা চৎকনি।

ময়াংইম্ফালদগী কৈশামপাৎ তমা লাকপা গাড়িশিংনা তিদিম লাইন নত্রগা ৱাহেংবম লৈকাইরোমদা চৎকনি। কোইরেঙ্গৈদগী খোঙনাং অনি কারকলোমদা লাকপা গাড়িশিংনা দিংকু রোড নত্রগা এসেমব্লি রোডতা চৎকনি। শঞ্জেনথোং অমদি মিনুথোং ফাওরগা ইম্ফাল ইষ্টলোমদগী লাকপা গাড়িশিংনা লমলোং থোং, লোক্লাউবুং, থোন্বুথোং অমদি শিংজমৈ থোংলোমদা চৎকনি। উরিপোক কাংচুপ রোডতগী ফ্লাই ওভর ব্রিজ ফাওরগা লাকপা গাড়িশিংনা নাগামপাললোমদা চৎকদবনি হায়রি।

নিউ কছার রোডতগী লাকপা গাড়িশিংনা কৈশামপাৎ নত্রগা নাগামপাললোমদা চৎকনি। তিদিম রোদতগী কৈশামপাৎ তমা লাকপা গাড়িশিংনা ৱাহেংবম লৈকাই নত্রগা ময়াংইম্ফাল লম্বীদা চৎকনি। খোয়াথোং অমদি থাংমৈবন্দলোমদগী এল.আই.সি ক্রোসিং তমা লাকপা গাড়িশিংনা নাগামপাললোমদা চৎকনি। খুমন লম্পাক অমসুং এম.এম.টি.এদগী নোর্থ এ.ও.সি ক্রোসিংরোমদা লাকপা গাড়িশিংনা এম.এম.টি.এ ক্রোসিংদগী মিনুথোংলোমদা চৎকনি। অদুমওইনমক, ভি.আই.পি নত্রগা ইম্মরজেন্সি সার্ভিসশিংগী ওইনদি অথিংবা অসিনা কোনশিল্লোই।

অমরোমদা, ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী তোপ খোংনাংখোঙ থোঙ অসি হয়েং অয়ুক্তগী হেভি অমদি ত্রান্সপোর্টর গাড়ি লানবদা অথিংবা থমলে হায়না রাজ্যগী পাব্লিক ৱার্ক্স বিভাগকী চেরোল অমনা হায়রি।

নেতাজি (এল)ঃ  নেতাজি শুবাসচন্দ্র বোসকা ১২৮ শুবা মপোক কুমওন থৌরম রাজ্য সরকারগী আর্ট এন্দ কলচর বিভাগনা আই.এন.এ ৱার ম্যুজিয়ম কম নেতাজি লাইব্রেরি মোইরাংগা খুৎশমদুনা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

বিষ্ণুপুর জিলাগী মোইরাংদা লৈবা আই.এন.এ মার্টিয়রস মেমোরিয়েল কমপ্লেক্সতা পাঙথোকপা থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা নম্বোলগী রেড হিল জপানিজ ৱার মেমোরিয়েল কমপ্লেক্সতগী মোইরাং ফাওবা মোটোর বাইক রেল্লি অমা চৎখি। রেল্লি অদু অসাম রাইফলসকী ৯ শুবা সেক্তরগী কম্মান্দর, ব্রিগেদিয়ার এ. বোরালনা লমথাখি। নেতাজি শুবাসচন্দ্র বোসকী পুন্সি ৱারী

অমদি মহাকা লৈবাক অসিগীদমক লৌরমখিবা থৌদাংগী মতাংদা খন্ন-নৈনবনা থৌরম অদুগী মপুংওইবা শক্তম ওইখি।

মেসেজ (এল)ঃ নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা পীবা পাউজেলদা হায়- নেতাজি শুবাসচন্দ্র বোসকী নমথবা ঙবদ্রবা থৌনা লিংজেলগা লোয়ননা, মহাক্কী মীৎয়েং শানবা লিচিং মখাদা ভারতকী নীংখা তম্বা ফংনবগী খোঙজংবু ইনোৎ পীরমখি। নুমিৎ অসিনা লাকপদা মহাকা লৌরম্বা থৌদাংবু ঐখোয়না নিংশিংবা তঙাইফদে। মহাকা হায়- মোইরাংদা আই.এন.এগী ফিরাল চিংখৎখিবা অদুনা লুচিংবা অসিগা মণিপুরগা লৈনরিবা মরী পুৱারী ওইদুনা লৈহৌরগনি। মহাকা চৎলম্বা লিক্লম ঐখোয় পুমমকা ইনদুনা অমত্তা ওইবা, চাওখৎপা লৈবাক অমা ওইহল্লশি হায়নসু মুখ্য মন্ত্রিনা মখা তাখি।

পৱার মন্ত্রি-থোঙাম বিশ্বজিৎ অমদি হান্নগী এম.পি. ডাঃ রঞ্জন সিংহ য়াওনা বি.জে.পিগী লুচিংবা কয়ানসু নুমিৎ অসিদা নেতাজিবু নীংশিংবগা লোয়ননা মহাক্কী মফমদা ইকায় খুমবা উৎলি।

বিরেন (এল)ঃ মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না হায়রি- কেন্দ্র সরকারনা মণিপুর মীয়ামগীদমক পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিং মীয়ামা খঙজিনফম থোকই।

ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী পাঙ্গৈদা লৈবা লাইরম মরিল শেংদোকপা য়েংশিনবা লাকপদা পাঙথোকখিবা মীয়ামগী মীতিনদা ৱা ঙাংবদা শ্রী বিরেন্না হায়- মণিপুরগী য়েলহৌমীশিংনা পান্লিবা থবকশিং ভারত সরকারনা পায়খৎলক্লিব্রা হায়বসি মীয়ামা নিংথিনা খঙনবা হোৎনগদবনি। মহাকা হায়- মমাংদা পাল্লম্বা সরকারগী মতমদা কিলোমিতর ৪০০ রোম শাংবা ইন্দো-ম্যান্মার ঙমখৈ শম্বল খাদনা থল্লমখি। হৌজিক্তি ঙমখৈ শম্বা খাবা হৌবতা নত্তনা মণিপুরগী মীয়ামা পাম্বা ইন্নর লাইন পার্মিৎ সিষ্টেম চৎনহল্লকপা য়াওনা তোঙান তোঙানবা থৌরাং কয়া কেন্দ্রনা লেপ্তুনা পায়খৎলক্লি।

থৌগৈ পাঙ্গৈনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা পি.ঐচ.ই.দি মন্ত্রি এল. শুশিলদ্রো, এম.এল.এশিং- কে.ঐচ. ইবোমচা অমদি এস. প্রেমচন্দ্র শরুক য়াখি।

তমেংলোং (এল)ঃ আই.সি.এ.আর- কে.ভি.কে তমেংলোংগী সাইন্তিফিক এদভাইজরি কমিতিগী ১৫ শুবা মীফম ঙসি পাঙথোকখ্রে।

নোর্থ ইষ্টর্ন হিল রিজন মণিপুর সেন্তরগী ইম্ফালগী লমফেলপাৎতা লৈবা আই.সি.এ.আর রিছার্স কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা মীওই ৫৪ রোম শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা ইং ২০২৪-২৫ গী প্রোগ্রেস রিপোর্ট পুথোকখিবগা লোয়ননা ইং ২০২৫-২৬ কী এক্সন প্লানশিং পুথোক্তুনা খন্নখি।

থৌবাল (এল)ঃ এম.এল.এ ওক্রম শুরজাকুমারনা ঙসি থৌবাল ৱাংম তাবদা মেগামাইন লাইব্রেরি হায়না মীংথোনবা মহৈরোইশিংগী লাইরিক পাফম শঙলেন অমা শঙ্গাখ্রে।

জোভিয়েল কেরিয়র ফাউন্দেসন (জে.সি.এফ) থৌবাল ৱাংম তাবনা শিং দুনা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা শ্রী শুরজাকুমারনা হায়- নেসনেল ইজ্কেসন পোলিসি ২০২০ অসি চৎনবা হৌরকপদা লাইব্রেরিগী তঙাইফদবা লাক্লি। অসিগুম্বা লাইব্রেরি অমা হাংদোকপা অসিনা নহা কয়াবু অচুম্বা লম্বীদা লমজিংবা ঙমগনি।

রিমস (এল)ঃ স্বাচ ভারত মিসনগী মখাদা রিমসকী কমিতি ওফ স্বাচতা এক্সন প্লান ২০২৪-২৫ গী নুমিৎ হুমি চথুগদবা স্বাচতা ষ্টুদেন্টস কেম্প ঙসি রিমসকী দিরেক্তর প্রোফেসার জি. শুনিল কুমার শর্ম্মনা হৌদোকখ্রে। ইন্সটিট্যুট অসিগী মহৈরোইশিংগী লু-নানবগী ৱাখল্লোন হেনগৎহন্নবগী পান্দমদা কেম্প অসি পাঙথোকপনি।

পারাক্রমঃ লৈবাক অসিনা ঙসি নেতাজি শুবাসচন্দ্র বোসকী মপোক কুমওন নুমিৎপু পারাক্রম দিবস হায়না পালন তৌরি। থৌরম অসি নেতাজিগী পোকফম কটক্কী ঐতিহাসিক ওইরবা বরাবতি ফোর্টতা নুমিৎ হুমি চুপা পাঙথোক্কনি। মসিদা লৈবাক অসিগী মফম কয়াদগী পুরকপা লাইশিং য়াওনা নেতাজিগী পোৎলম কয়া উৎলি।

প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- নেতাজি শুবাসচন্দ বোসতগী ফিদম লৌদুনা ভারতপু মালেমগী শেল থুমগী লমদা খ্বাইদগী চাউবা অহুমসুবা লৈবাক ওইহন্নবা লৈবাক অসিনা পান্দম থল্লি।

নেতাজি শুবাসচন্দ্র বোসকী ১২৮ শুবা মপোক কুমওনদা ৱা ঙাংবদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়- মীপুম খুদিংমকা ভারতপু চাওখৎপা লৈবাক অমা ওইহন্নবগী থল্লিবা পান্দম অদু য়ৌহন্নবা হোৎনবা চংই।

নেতাজি শুবাসচন্দ্র বোসনা লৈবাক্কীদমক লৌরম্বা থৌদাংবু নৌহৌনা নিংশিংদুনা শ্রী মোদিনা হায়- মীয়ামা লৈবাক অসিগী নীংতমবগীদমক শিংনবা কয়া মায়োকখিবা নেতাজিগুম্বা মীওইশিংগী খুদুং ইন্নবা হোৎনগদবনি। লৈবাক অসিগী অমত্তা ওইবা অপুনবা শক্তমগী মতাংদা শা মোদিনা হায়- ভারতকী পাঙ্গল শক্তি হন্থহন্নবা হোৎনরিবশিং অদুদগী মীয়ামা চেকশিন্না লৈগদবনি। নেতাজিগী ফিদম লৌদুনা পায়খৎলিবা থবকশিংগী মতাংদা পল্লদুনা মহাকা হায়- নেতাজিবু নীংশিংনবগীদমক মহাক্কী সরকারনা লাল কিলাদা ম্যুজিয়ম অমা শেমগৎলে। ইন্দিয়া গেট মনাক্তা নেতাজিগী মুর্তি অমসু থল্লে অমসুং অন্দমান নিকোবরগী ঈথৎ অমগী মমিংসু নেতাজি শুবাসচন্দ্র বোসকী মমিং লৌদুনা থোল্লে।

রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমু, উপ-রাষ্ট্রপতি জগদিপ ধনখর অমসুং প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা নেতাজি শুবাসচন্দ্র বোসকী মফমদা শ্রদ্ধঞ্জলি কৎখ্রে। মহাক্কী মপোক নুমিৎ অসিবু পারাক্রম দিবস হায়না পালন তৌরি।

দিল্লি ঃ সিট ৭০ লৈবা দিল্লি বিধান সভা মীখলগী ভোৎ খোম্বগী থবক খম থেংনা কল্লে। বি.জে.পি, আম আদমি পার্তি অমসুং কংগ্রেসনা মখোয় মখোয়গী মীরেপশিংগীদমক রোড সো, মীয়ামগী মীতিন অমদি য়ুমথোঙ য়ুমথোঙদা চংদুনা ভোৎ খোম্বগী থবক কন্না চত্থরি।

উত্তর প্রদেশকী মুখ্য মন্ত্রি যোগি অদিত্যনাথনা ঙসি কিরাদি, কেরোলবাগ অমসুং জনকপুরি বিধান সভা কেন্দ্রশিংদা ভোৎ খোমখি। উত্তরাখন্দগী মুখ্য মন্ত্রি পুস্কার সিংহ ধমিসু পালম অমদি দিল্লি কেন্টোনমেন্টতা ভোৎ খোমখি। অদুগা মধ্য প্রদেশকী মুখ্য মন্ত্রি মোহন যাদবনা মাদিপুর অমসুং রোহিনি বিধান সভা

কেন্দ্রশিংদা ভোৎ খোমখি। আম আদমি পার্তিগী লুচিংবা শঞ্জয় সিংহ মোতিনাগর অমসুং মোদেল টাউন বিধান সভা কেন্দ্রশিংদা অদুগা পঞ্জাবগী মুখ্য মন্ত্রি ভগৱন্ট মান্না কস্তুরবানাগর, মেহারৌলি অমসুং সতরপুর বিধান সভা কেন্দ্রশিংদা ভোৎ খোমখি।

কংগ্রেস লুচিংবা রাহুল গান্ধিনা মুস্তাফাবাদ বিধান সভা কেন্দ্রদা ভোৎ খোমখি।

ধনখর ঃ উপ-রাষ্ট্রপতি জগদিপ ধনখরগী বিহার অমসুং উত্তর প্রদেশ খোঙচৎ হয়েংদগী হৌরগনি। ভারত রত্না শ্রী করপুরি ঠাকুরগী ১০১ শুবা মপোক কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা বিহারগী সমস্তিপুরদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা উপ-রাষ্ট্রপতিনা শরুক য়াগনি। মহাক্কী খোঙচৎ অসিদা শ্রী ধনখরনা লখনৌদা পাঙথোকপা উত্তর প্রদেশ ডে পালন থৌরমদসু শরুক য়াগনি।

পর্বা ঃ নিউ দিল্লিদা মাইনোরিতি এফ্যারস মন্ত্রালয়না শিন্দুনা থা অসিগী ২৭ তগী মথং থাগী ২ ফাওবা অনিসুবা লোক সম্বরধন পর্বা পাঙথোক্কনি।

মন্ত্রালয়গী চেরোল অমনা হায়- থৌরম অদুদা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমদগী লাকপা আর্তিসান ৯০ না মখোয়গী কলা অমসুং খুৎ-শা হৈবগী থোইদোক হেন্দোকপা পোৎলমশিং উৎকনি। মসিগী মনুংদা মহারাষ্ট্রগী আজরপ প্রিন্ট সারি তুপ্পত্তা উত্তর প্রদেশকী বনারস ব্রোকেদ, অসামগী লী অমসুং ৱাগী পোত্থোকশিং, করনাটক্কী চানা পতনাগী শান্নপোৎ অমদি লাইথিবীশিং, নোংচুপ বঙ্গলাগী কান্থা ষ্টিসনচিংবা য়াওরি। থৌরম অদুদা লৈবাক অসিগী মীশিং য়ামজদবা কাংলুপশিংগী ইনাক খুল্লবা সংস্কৃতিনচিংবসু উৎকনি।

মেট ঃ আই.এম.দিনা হায়রি- জম্মু কাশ্মীর, লদাখ, গিলগিৎ, বালতিস্থান, মুজাফরবাদ অমসুং হিমাচল প্রদেশকী মফম কয়াদা হয়েং ফাওবা কা হেন্না ঈংবগী অৱাবা মায়োকগনি। মণিপুর, নাগালেন্দ, মিজোরম, ত্রিপুরা, মেঘালয়, অসাম অমসুং ঝারখন্দদসু অয়ুক অমদি নুমিদাংগী মতমদা লৈচিল কুংনা থাগনি হায়রি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

পোলো (এল)ঃ ইম্ফালগী মপাল কাংজেবুংদা চথরিবা অহানবা দি.জি.এ.আর. মেন এন্দ ৱিমেন পোলো চেম্পিয়নসিপ ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী মেটচশিংদা এক্স পোলো ক্লবনা ক্রিপসা পোলো ক্লবপু পাঞ্জল ১২-০ দা, এম.পি.এস.সি টিম-বিনা ই.এস.সি টিম-বিবু পাঞ্জল ১০-১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

নুপীগী মেটচতনা এ.আর পোলো টিমনা চীংখৈ হুনবা পোলো ক্লবপু পাঞ্জল ৬-৫ দা মায়থিবা পীখ্রে।

ফুদসাল (এল)ঃ ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন (অম্ফা)না শিন্দুনা কে.আই.ৱাই.সি আর্তিফিসিয়েল টর্ফ গ্রাউন্দদা চথরিবা করনেল ক্ষেত্রিময়ুম অরুনকুমার মেমোরিএল মরিসুবা ইন্টর ক্লব ফুদসাল টুর্নামেন্ট ২০২৪-২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা- পোলোই এফ.সিনা শঙ্গাই এফ.সিবু পাঞ্জল ৯-২ দা মায়থিবা পীখি। আর.এফ.সি.সিনা কে.আই.ৱাই.সিবু পাঞ্জল ৯-২ দা মায়থিবা পীখি। ক্রিপসানা ক্লাসাবু পাঞ্জল ৬-২ দা মায়থিবা পীখি।

ফুটবোল (এল)ঃ অনিশুবা ইমা পান্থোইবী ত্রোফি ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা ৱাংখেম এফ.সিনা শুগনু এফ.সিবু পাঞ্জল ৪-৩ দা থোইখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা এম.পি.এ-এনা এম.পি.এ-বিবু পাঞ্জল ৪-৩ দা থোইখি।

ফুটবোল (এল)ঃ ৪৪ শুবা সি.দি.এস.এ স্পোর্টস মিটকী ফুটবোলগী চেম্পিয়ন দম্পি এফ.সিনা ওইখ্রে। চকপিকারোং প্লে গ্রাউন্দদা ঙসি শান্নখিবা ফাইনেলদা তম্পি এফ.সিনা এল.ৱাই.সি.সিবু পাঞ্জল ২-১ দা মায়থিবা পীখিবনি।

------